# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses




কুকি রিভোলুস্নরি আর্মিগী লৈখিদ্রবা হান্নগী কম্মান্দর ইন চীফ কে হংশিংগী নীংশিং যুম্বী হাংদোক-পগী থৌরমদা লূপ অসিগী লান্মীশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎপা



ওল মণিপুর মেনপৱার অপলিফটমেন্ট সেন্টরগী থৌমীশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা শিন্থা পাঙবদা শীজিন্নগদবা ফুরিৎ মখল অমা লোঞ্চ তৌবগী শক্তম



কংলৈপাক ষ্টুডেন্টস' এসোসিয়েসনগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা জেনিমস হোস্পিটালগী ব্লদ বেঙ্কতা মহৈরোয়শিংনা ঈ কৎপগী থৌরম



প্রিপাককী অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা লূপ অসিগী ফার্ষ্ট বট্টালিয়নদা পাঙথোকপা অথৌবশিংদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম


৩৮শুবা চহী,২৪২শুবা মশিং | শগোনশেল, হিয়াঙ্গৈ ২২নি পানবা | অপুনবা লমায় মশিং ৮ | HUEIYEN LANPAO, Thursday, November 13, 2014, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 3.00


## অ ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৭.৮৩°c | ১৪.৭২°c |
| চান্দেল | ৩১.১৫°c | ১৯.৭৬°c |
| সীসীপুর | ২৭.৭৭°c | ১৫.৩৩°c |
| ইম্ফাল | ২৯.২২°c | ১৩.৭১°c |
| সেনাপতি | ২৬.৩৯°c | ১০.৮৩°c |
| তমেংলোং | ৩০.২১°c | ১৬.৬৪°c |
| থৌবাল | ২৭.৫০°c | ১৫.৮২°c |
| উখ্রুল | ২০.১৯°c | ১১.২৪°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৪৮ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৭

## মৈরা কৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ ঃ কমেংগী লৈমরোক্তা কুমজা ১৯৭৮ গী নবেম্বরগী ১২ দা ইন্দিয়ান আর্মিগা খুৎ থোক্লবদা লৈখিদ্রবা প্রিপাককি ধিরেন (অঙম) মীতৈ, মহাক্কা লোয়ননা লৈখিদ্রবা কবিকান্তা অমদি গম্ভীরগী মোংফমদা ঙসি মীয়াম্না মৈরা কৎতুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে। প্রিপাককী লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা মীয়াম্না মৈরা কৎতুনা অথৌবশিংগী থৌনাবু অমুক হন্না নীংশিংখি।

## ব্লড ডোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ ঃ কংলৈপাক ষ্টুডেন্টস' এসোসিয়েসন (কে এস এ) গী মাপনশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা খুন্নাইসিদা কথোক্লবা ঈ হায়বা থিমদা নোংমগী ওইবা ঈ কৎপগী কেম্প অমা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটালগী ব্লড বেঙ্কতা পাঙথোকখ্রে। চহি অসিগী সেপ্টেম্বর, ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাবুম অহুম চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা এসোসিয়েসন অসিগী মপোক-কুমওনগী থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপা ব্লড ডোনেসন কেম্প অদুদা ঈ য়ুনিট ১০০ রোম কৎখি হায়রি।

## শিরগা লৈরম্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ ঃ শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ক্বাকৈথেল কোজেং লাংপোকলাকপম লৈকায়দা নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে। ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা শিনা ফংখিবা নুপা অদুগী মমিং নোংথোম্বম রঞ্জিৎ (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন চন্দ্রকুমার কৌই। মহাক ক্বাকৈথেল কোজেং লাংপোকলাকপম লৈকায়দা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে

## এক্সিদেন্টদা ৩ শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ ঃ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খোংজারোল অমসুং দ্যুগাইলোংগী লোন্নবা মফম অমদা টাটা সুমো (এম এন ০১ দব্লিয়ু-৩৩০৩) অমা অরুবা লোক অমদা তাশিন্দুনা এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই অহুম অরুবা ফীভমদা শোক্তুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। এক্সিদেন্টকী থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ১.৫০ রোম তাবদা থোকখিবনি হায়রি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 76.556212 |
| US Dollar | 61.417813 |
| British Pound | 97.153973 |
| Australian Dollar | 53.491061 |
| Chinese Yuan | 10.026390 |
| Malaysian Ringgit | 18.448774 |
| Hong Kong Dollar | 7.920141 |
| Japanese Yen | 0.533240 |
| Nepalese Rupee | 0.624165 |
| Singapore Dollar | 47.617228 |
| South Korean Won | 0.055966 |
| Bangladesh Taka | 0.79562 |
| Myanmar Kyat | 0.06021 |
| Thailand Baht | 1.868325 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | |
|---|---|
| Mumbai | – Rs 26170 |
| Delhi | – Rs 26280 |
| Kolkata | – Rs 26260 |
| Chennai | – Rs 26240 |

## অস! লোইরেহে!

বোন্ধু, অয়ুকসিদা কদোমদনো ?



ইমৌনা ইচানুপা চেনখ্রে, থিরক্তে হায়রক্কনিনা থিরুদোইনি...!

# কোংগ্রেস এম এল এশিংনা ফুবদা মহারাষ্ট্রগী গভর্নর বিদ্যাসাগর শোক্লে

মুম্বাই, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী) ঃ

মীখলদা মশীং খ্বাইদগী য়াম্না কাবা পার্টি ওইখিবা বি জে পিনা লূচিংবা মাইনোরিটি গভর্ণমেন্টকী অহানবা থাজবগী ভোট লৌনবদা ভোইস ভোটতা মায় পাক্লে হায়না স্পিকরনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা মহারাষ্ট্রগী গভর্নর সী বিদ্যাসাগর রাও কোংগ্রেস এম এল এশিংনা ফুবদা শোক্লে।

মীখলদা তোখায়-তোখায় লম্বা তৌনখ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট পায়মিন্নগনি হায়না য়ানখিবা বি জে পি অমসুং শিব সেনা অনী অমুকসু কায়নরকপদগী কমদৌনা মাইনোরিটি গভর্ণমেন্ট অসি থাজবগী ভোট লৌনবদা মায় পাক্কদগে হায়না ঙক থাঙ্গৎতুনা য়েংনরকখিবনি।

বি জে পিগী হেক মতুংদা এম এল এ মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা শিব সেনা অমদি কোংগ্রেসনা ঙসি ষ্টেট এসেমব্লিগী স্পিকর খনবগী মীখলদা মখোয় মখোয়গী পার্টিগী মীরেপ-চেশিং লৌথোক্লখ্রবা তুংদা বি জে পিনা লম্বা য়াওদনা স্পিকরগী পোষ্ট ফংখি। মদুগী তুংদা পাঙথোকপা গভর্ণমেন্ট অসি থাজবগী ভোট লৌনবদা অনৌবা স্পিকরনা ভোইস ভোটতা বি জে পি গভর্ণমেন্ট মায় পাক্লে হায়না লাউথোক্লম্লগা হাউসকী মীফম লোইশিনখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়, কোংগ্রেস অমসুং শিব সেনানা ভোইস ভোটকী মহুত্তা মীখল ওইনা পাঙথোক্লগা গভর্ণমেন্ট অসিগী মপাঙ্গল চাংয়েং তৌসি হায়না তকশিনখি। অদুবু এসেমব্লি অসিগী অনৌবা স্পিকরনা মখোয়গী ৱাকৎ লৌখিদে। বি জে পি গভর্ণমেন্ট এন সী পিনা শৌগৎলি হায়বা ভোইস ভোটতগী খঙবা মরম্না গভর্ণমেন্ট শৌগৎপা এম এল এগী মশীং থিদ্রবসু গভর্ণমেন্ট অসি হিংলে হায়বা তাক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাথোক অসি থোক্লিঙৈ মমাঙদা চহীগী অহানবা সেসন ওইবা মরম্না ষ্টেট অদুগী গভর্নর সী বিদ্যাসাগর রাওনা হাউসতা এদ্রেস তৌনবগীদমক লাকপদা কোংগ্রেস এম এল এশিংনা হাউস মনুংদা চঙহন্দনবা থিংখি। গভর্নরবু থিংনবদা হোৎনবা ইন্থোক-ইনশিন তৌনবা নৎত্রগা ফু-চৈবগী থৌদোক্তা গভর্নর অসিগী মখুত্তা শোকখি। লেজিসলেচরশিংগী চরাংনবা ফীভম মরক্তা স্পিকরনা গভর্নরদা খুৎ থাই হায়বা কোংগ্রেসকী এম এল এ মঙা সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মরক অসিদা কোংগ্রেসনা ভোইস ভোটতা গভর্ণমেন্ট হিংহনখিবা স্পিকরগী থৌওং অদু দেমোক্রেসি হাৎপনি হায়দুনা মুম্বাই হায় কোর্টতা পিটিসন অমা থানবা থৌরাং লোইখ্রে। কোংগ্রেসনা মহারাষ্ট্রদা প্রসিদেন্ট রুল থম্নবা দিমান্দ তৌরি। অদুবু বি জে পিনদি মখোয়গী ৱাফম অদু য়াখিদে হায়রি।



# ইন্দিয়ন বোক্সর সরিতা মতম শাংনা বেন মায়োক্লগনি : এ আই বি এ



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১২ (এজেন্সী) ঃ

জজগী ৱারেপ্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা মহাক্কী এসিয়ন গেমস সেঞ্জেং মেদল লৌ হায়বা য়াখিদবী ইন্দিয়ান বোক্সর অহকপা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়না স্পোর্ট অদুগী গভর্নিং বোদি এ আই বি এগী মকোক্না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা সাউথ কোরিয়াগী ইঞ্চেওন্দা নুপীগী লাইটৱেঠ কম্পিটিশনগী সেমি-ফাইনেলদা বোক্সর এল সরিতা দেবী মায়থিখি অমসুং মদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তনা মেদল য়েন্থোকপগী থৌরমদা মাগী মেদল অদু মাগী লম্বা অদুদা পীনবা হোৎনখি।

দিসিপ্লিনরি কমিসন অমগী অরোয়বা ৱারেপ অমা লৌদ্রিঙৈ মতম ফাওবা এল সরিতা অমসুং কোচ অহুম মতম কক্তনা অথিংবা থমখি। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয় হৌজিক সাউথ কোরিয়াগী জেজুদা পাঙথোকপা নুপীগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসিপ্তা য়াওবা য়াদ্রে।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা এ আই বি এগী প্রসিদেন্ট সী কে ৱুনা এসোসিয়ে-টেদ প্রেসতা ফোঙদোকপদা দিসিপ্লিনরি কমিসন্না য়াম্না থুনা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়খি অমসুং অকন্নবা চৈরাক অমা পীরকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ পীখি।

এ আই বি এ কোঙ্গ্রেসকী মাঙ-ওইননা সাউথ কোরিয়াগী জেজুদগী টেলিফোন ইন্টর্ভিয়ু অমদা ৱুনা হায়খি, মহাক অচৌবা চৈরাক অমা পীগনি। মসিদা ঙাকপিবা অমত্তা লৈরোই।

করিগুম্বা ৱিন্নর ওইরগনা নহাক্না য়াবা তারবদি মায়থিবদসু নহাক্না য়াগদবনি। নহাক্না তৌরিবদুগুম্না মী খুদিংমক্না তৌবা তারবদি ঐখোয়গীসি করম্বা মখলগী কম্পিটিসন ওইগনি হায়না এ আই বি এগী মকোক অদুনা হায়খি।

কেজি ৬০ গী বাউট অদুদা জজশিংনা পীবা ৱারেপ অদুদা পেন্দবদগী সরিতা দেবীনা মঙকশমদা মেদল অদু হুকচিন্নবা নোঙ্থৌ হায়বা য়াখিদে। মদুগী মহুত্তা মহাক্না মেদল অদু মখুৎনা লৌখি অমসুং সাউথ কোরিয়ান বোক্সর অদুদা পীখি। কোরিয়ান বোক্সর অদুনা মেদল অদু সরিতাদা অমুক পীনবা হোৎনখি। মতমদুদা সরিতানা পোদিয়ম অদু থাদোক্লগা চৎখি।

বোক্সিং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট সন্দীপ জাজোদিয়ানা সরিতানা তৌখিবদু য়াম্ন মক শেংনা ঙাইহাক্কী নুংঙাইতবা অমদগী তৌখিবনি, তৌগে হায়না হন্না খল্লগা তৌখিবা নত্তে হায়রদুনা সরিতাবু প্রোভিজনেল সস্পেন্সন তৌরিবদুদগী ককথৎপীনবা হৌখিবা থাদা এ আই বি এদা আপিল তৌখি।

সরিতানা উৎখিবা লীচৎ অদু শান্নরোইশিংগী কোদ ওফ কন্দক্ট ইকায়খুম্নদবনি হায়না ঐখোয়না লৌদবা ঙম্লোই। মদুগীদমক মহাক মশামক্না অনকন্দিশনেল এপোলোজি অমসু তৌখ্রে হায়না জাজোদিয়ানা মতম অদুদা হায়খি। অদুবু মসিদা ঙাকপীনিংঙাই মরম থোইনা লৈতে হায়না এ আই বি এ প্রসিদেন্টনা হায়খি।

রেফরিশিং অমসুং জজশিং পুম্নমক্কী ৱারেপশিংবু ইকায়খুম্নবা মথৌ তাই হায়বসি ঐখোয়না খন্থবা পান্মী। মরম অদুনা মহাক অশাংবা মতম অমা বেন তৌরবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## দি আই পি আরনা পীগদবা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ নিপানগী মনুংদা পাউচে অসিনা অহুম ফংলগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) ঃ

চহী খূদিংগী দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা ইনফোর্মেসন দেগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা পীগদবা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ নিপানগী মনুংদা অহুম পাউচে অসিগী পাউমী অহুম্না ফংলগনি।

কুমসি চহীগী ওইনা পাউচে অসিগী এৱার্দ ফংগদবা পাউমী অহুম অদুদি রুরেল রিপোর্টিংগী ওইনা বিজয় লাইশ্রম, পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিংগী ওইনা পুয়াম রামেশ্বর অমসুং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিদা মৈস্নাম কর্নজিৎ এলিয়াস কুকুনি। লেমহৌরিবা অতোপ্পা এৱার্দ মঙা অদুনা তোঙান তোঙানবা পাউচে মরিদা মথৌ তৌরিবা পাউমীশিংনা ফংলগনি। মখোয় অদুদি কম্যুনেল হার্মোনি এন্দ নেসনল ইন্তিগ্রেসনগী খ্বাইদগী ফবা এদিটোরিএল ইবগীদমক এদিটরশিংদা পীবা এৱার্দ তাঞ্জুল লোলগী পাউচে অজাগী এদিটর ভেলি রোজ, পোক্লফম পাউচেগী স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট আর কে মণিসনাদা চহী অসিগী স্পোর্টস জর্নেলিষ্ট এৱার্দ, পিপলস ক্রোনিকলগী রিপোর্টর লোংজম অরিশ রোনাদা আর্ট এন্দ কলচর, নহারোল থৌদাংগী সব-এদিটর ক্ষেত্রি মেঘজিৎতা পব্লিক হেল্থ এন্দ হাইজিন অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী পাউমী সাপম অরুনাদা ৱিমন এন্দ চাইল্ডনি হায়রি।

লুপা লীশিং ২৫/২৫গী শেলগী মনা য়াওবা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দশিং অসি থা অসিগী ১৬তা পাঙথোক্কদবা নেসনল প্রেস দেথৌরমদা য়েন্থোক্কনি। এৱার্দ ফংলগদবশিংদা দি আই পি আরগী দি আই ও (প্রেস)না ঙসি চেরোল অমমম থারক্তুনা এৱার্দশিং অসি নুমিৎসিদা লৌরনবা খঙহল্লকখ্রে।

পনবা য়াবদি, পাউচে অসিগী পাউমী মৈস্নাম কর্নজিৎ মমাঙ চহীদসু দি আই পি আরনা পীবা পব্লিক হেল্থ এন্দ হাইজিনগী ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংখ্রে। হন্দক্কী অসিদনা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী থোইদোক-হেনে দাকপা, মতিক ময়ায় চেনবা পাউ ইবগীদমক এৱার্দ অসি পীনবা খল্লকখিবনি। ষ্টেট অসিদা মথৌ তৌরিবা পাউমীশিং পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা এৱার্দশিং অসি পীবনি হায়রি।

## মুসুগী মীখলদা দেবিদ প্রসিদেন্ট ওইনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) মুখৎলুরবা চহী ৫গী মতুংদা, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা হিংগৎহল্লগনি হায়বদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (এম য়ু)গী ওথোরিটিজনা শীল-লাংলগা ঙসি পাঙথোকখিবা মুসুগী মীখলদা প্রসিদেন্ট ওইনা সরাংথেম দেবিদ মায় পাকখ্রে।

মুসুগী মীখল অসিদা মায় পাকখ্রবা অতোপ্পা সেক্রেটরিশিং অদুদি জেনরল সেক্রেটরি ওইনা রাজকুমার প্রিতমকুমার, ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা শমুরাইলাৎপম নেভিদাস্কো এলিয়স চাউথোই, স্পোর্টস সেক্রেটরি ওইনা ঙাঙোম বিদ্যাপতি অমসুং কলচরেল সেক্রেটরিগী ওইনা সলাম কেনেদিনি। বিদ্যাপতি অমদি কেনেদি মীখল অসিদা লম্বা য়াওদনা মায় পাকখিবনি।



সরাংথেম দেবিদনা মহাক্কা লম্বা পানখিবা টি লাংজাগেন হাওকিপতগী ভোট মশীং ১,১৫০ হেন্দুনা মুসুগী প্রসিদেন্ট ফমগীদমক মায় পাকখি। জেনরল সেক্রেটরিগী ওইনা রাজকুমার প্রিতমকুমারনা মহাক্কী লম্বা মাংহেকোন কিপজেনদগী ভোট মশীং ১,১২০ হেন্দুনা মায় পাকখি অমদি ফাইনান্স সেক্রেটরিগী ওইনা নেভিদাস্কোনা মহাক্কী লম্বা এপোলো টি ঐচতগী ভোট মশীং ১,১১৮ হেন্দুনা মীখল অসিদা মায় পাকখি।

মায় পাকপগী সার্টিফিকেট লৌরবা তুংদা মুসুগী প্রসিদেন্ট সরাংথেম দেবিদনা হায়খি, হৌখিবা চহী ৫দা মুসু লৈতবদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখি। অদুবু ঙসিদি মুসু অমুক হিংগৎলবনিনা মহৈরোয়শিংনা মায়োক্লরম্বা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবা হোৎনরগনি।

মহাকপু মুসুগী প্রসিদেন্ট ওইনা মহৈরোয়শিংনা মায় পাকহল্লকখিবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, য়ুনিভর্সিটি অসিদা য়ু জি সী জি আর এফ অমদি অতোপ্পা প্রোজেক্টশিংগী ফেলোশিপশিং স্কোলরশিংদা মতম চানা ফংহন্নবা হোৎনরগনি। মুসুগী লৌফম থোকপা থৌদাং মপুং ফানা লৌবদা নত্তনা একাদেমিক এটমোসফিয়ার অমদি কো-করিক্যুলর এক্টিভিটিশিংসু মপুং ফানা মহৈরোয়শিংগী য়েংলগা পাঙথোক্কনি হায়খি।

## হোল্লেনফাইদা বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) ঃ

ইন্দো-ম্যানমার বোর্দরদা লৈবা মণিপুরগী হোল্লেনফাই খুলদা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা শকখঙদবা মীওই খরনা মতিক ময়ায় লৈবা বোম অমা পোকখায়হনখ্রে। থৌদোক অদুদা মীশি-মীনা, অশোক-অপনমক্তি য়াওখিদে।

মতিক ময়ায় লৈরবা বোম অদু চাণ্ডেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরে পুলিস ষ্টেশন্দগী খা রোমদা কিলোমিটর অনী মখায় রোম চৎলগা লৈবা হোল্লেন-ফাই খুলগী চীংমাই অমদা বোমগী লাং থাক্তুনা পোকখায়হনখিবনি। আসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা মহৌশা-গুম আর ও পি লাকপা মপা চানা পোকখায়হন্নবা ফিট তৌরম্বা বোম অদু এ আরগী পর্সনেলশিং মফম অদু য়ৌশিল্লক্তিঙৈদা পোকখায়খিবনা অশোক-অপন য়াওখিদবনি হায়রি।

থৌদোক থোকফম অদুদা মোরে পুলিস ষ্টেশনগী ও সি ইন্সপেক্টর দিলিপনা লূচিংবা টিম অমা চৎলগা য়েংশিনখি। বোম পোকখায়রিবা মফম অদুমক্তদা ফুট ৩গী দাইমিটর ওইগদবা কোম মচা অমা লম্বী অশোংবা মরুমদা তৌরগা লৈরমখি। মফম অদুদগী বোমগী মচেৎ খরা ফংখি।

বোম পোকখায়হনবগী থৌদোক অদু করম্বা লালহৌলূপ্না চথখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মোরে পুলিস ষ্টেশন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা এফ আই আর অমা লৌখৎখ্রে।

পনবা য়াবদি, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাৎ সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা বিহাং খুলদা ঙরাংসু বোম পোকখায়হন্দুনা চথরকপা এন্সুসতা এ আরগী পর্সনেল ২ হাৎখিবা লৈখ্রে।

## লেকচরর খনবগী কাঙলোন্দা অরানবা য়াওরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসননা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগীদমক লেকচরর লৌনবগী কাঙলোন্দা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসিগা তাইওন্নবা অরানবা কয়ামরুম য়াওরে।

হায়র সেকেন্দরি লেকচররশিং লৌবদা এন সী টি ঈ (নেসনল কাউন্সীল ফোর টিচর এদ্যুকেসন)গী রিগ্যুলেসনশিং শোয়দনমক ইনগদবনি হায়না মণিপুরগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা থাবা অফোংবা চিঠি অমদা দব্লিয়ু বিমোল সিংহনা হায়রি, মণিপুরদা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী লেকচরর ২১৭ লৌনবগীদমক নবেম্বর ৮দা থোকখিবা মণিপুর পব্লিক সার্বিস কমিসন (এম পি এস সী)গী এদভর্টিজমেন্ট নম্বর ১৪/২০১৪ অদুদা স্কুল এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অরানবা অমা তৌরে।

শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়দগী মীওই অসিনা মহাক্কী অফোংবা চিঠি অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এম পি এস সীগী এদভর্টিজমেন্ট অদুদা মথৌ তাবা এদ্যুকেসনল ক্বালিফিকে-সননি হায়না পল্লিবা অদুদি রিকগ্নাইজ য়ুনিভর্সিটি অমদগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রী ইগজামিনেসনদা মরী লৈনবা সবজেক্টতা য়ামদ্রবদা অপুনবা মার্ককী চাদা ৫০ ফংবা পোষ্ট গ্রেজুয়েট দিগ্রী পায়বশিং ওইগদবনি। অদুবু কুমজা ২০০১গী সেপ্টেম্বর ৪দা ফোংখিবা গেজেট ওফ ইন্দিয়াগী নোটিফিকেসন নম্বর ২৩৮দা এন সী টি ঈ (দিটর্মিনেসন ওফ মিনিমম ক্বালিফিকেসন ফোর রিক্রুটমেন্ট ওফ টিচরস ইন স্কুলস) রিগ্যুলেসন, ২০০১না পীরিবা মিনিমম একাদেমিক অমসুং প্রোফেসনল ক্বালিফিকেসনদি বেচেলর ওফ এদ্যুকেসন (বি এদ) ওইবগা লোয়ননা মরী লৈনবা সবজেক্টতা মাষ্টর'স দিগ্রী নৎত্রগা মান্নবা, নৎত্রগা চহী ২গী ইন্তিগ্রেটেদ এম এসসী এদ কোর্স নৎত্রগা মান্নবা কোর্সনি। অদুগা এন সী টি ঈ রিগ্যুলেসন্স, ২০০১গী মতুং ইন্না বি এদ অসি মথৌ তাবা ক্বালিফিকেসন অমা ওইহনগদবনি হায়রি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টতা থাবা অফোংবা চিঠি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকপদা এন সী টি ঈনা লেপ্লিবা রিক্রুটমেন্ট রুলশিং অসি জম্মু এন্দ... মখা লামায় ৩ কলম ২

## য়াইথিবী লৌকোন কন্নবা লূপ কয়ানা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ ঃ



থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৪৪-য়াই থিবী লৌকোন্দা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা য়ারোই হায়বা ডিমান্দ তৌরদুনা ঙসি কৈশামপাৎ লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগী লূচিংবশিং য়াওনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা য়াইথিবী লৌকোন কন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। য়াইথিবী লৌকোল লেন্দ ওনর্স এসোসিয়েসন অমদি প্রোটেক্সন ওফ এগ্রিকলচরেল লেন্দ এন্দ নেচরেল রিছোর্স ওর্গনাইজেসনন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা লৌকোল অসি কন্নবগীদমক মীয়াম পুন্না থেংনমিন্ননবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি। মণিপুরগী ওইনা লৌউ-শিংউ তৌদুনা পোত্থোক পুথোক্লিবা মফমশিংদা স্কুল, ওফিস অমদি য়ুমনচিংবা শাজিনবা য়ারোই। য়াইথিবী লৌকোন্দা লৈরিবা মীয়াম্বু তান্থোকপীরগা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এম ঐচ এগী ওফিসলশিংনা পাউমীগী কেমেরা মুনগে তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) ঃ

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স (এম ঐচ এ)কী ইন্টর্নেল সিক্যুরিটি ওফিসার অমগী এস্কোর্ট ওইনা লোয়নরকপা ফিজম শেৎপা মীওই খরনা পাউচে অসিগী পাউমী মুতুম রামেশচন্দ্রদগী কেমেরা মুনগে তৌখ্রে।

কৈশাম্পাৎতগী ৱাহেংবম লৈকায়-রোমদা খজিক্তং হায়গৎলগা লৈবা বিগ মিদিয়াগী মমাঙদা ফ্লেগ পোষ্ট অমদি রেদ বিকন লাইট য়াওবা অমুবা মচুগী কার (এম এল ০৫ এফ-৭৬৩৬) অমা লম্বীদা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবদদা খামদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা অকক্লবা মীওই খরখক্তদা রেদ বিকন লাইট শীজিন্নবা কাঙলোন অমা চৎনখিবদু কনাগুম্বা খরনা লান্না শীজিন্নব্রা হায়বগী ৱাখল্লোন দা অমুবা কার অদুগী ফোটো পাউচে অসিগী পাউমীনা লৌখি।

ফোটো কাপ্লুরগা মফম অদুদগী হন্নবা হোৎনরিঙৈদা বোলেরো জীপ অমদগী মীওই খরা কুমথরকখি অমসুং কাপখিবা ফোটোশিং অদু মুথৎলু হায়না খঙহল্লকখি। পাউমী অসিনা করিগী মুথৎকদৌরিবনো, লম্বী হায়বসিদি পব্লিক প্লেসনি, মসিদা ফোটো নম্বদা আইনগী ওইবা অকায়বা অমত্তা লৈতে, ঐহাক পাউমীনি হায়না মশক তাকপগা লোয়ননা আই-কার্দ উৎখি।

পাউমী ওইরবসু কাপখিবা ফোটো অদু মুথৎলু, মখোয় মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী টিমনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা নমখিবা ফোটোগী ক্লিপিংশিং অদু মুথৎনবা খোন কন্না ৱা ঙাংবা হৌরকখি।

ঐহাক্তি ঈথৌ তৌবনি, ফোটো



মুথৎকে হায়রবসু পাউচে অসিগী এদিটরগা পাউ ফাওনরবা তুংদা মুথৎকে হায়না হায়রুবা মতমদা কেমেরা মুন্নবা হোৎনরকখি। ফোটো ক্লিপিংশিং মুথৎত্রবদি ফাগনি হায়না কিহল্লকখি। নাকল অনীগী মরক্তা খোন কনখৎনবগা লোয়ননা চীন্দা-পাউদানরগা ৱা ঙাংনরকখি।

তাঞ্জা অদুদা পাউমী অসিনা এদিটরদা থৌদোক অদুগী পাউ মোবাইল ফোনগী খুথাংদা তম্লকখি। পাউ তম্বা হেক লোইবগা মখোয় খরনা ওফিসারগা উনৌ হায়দুনা ওফিসারনি হায়বা অমগী মনাক্তা পুশিনখি হায়রি।

ওফিসার অদুদা পাউমী অসিনা মশাগী অশেংবা মশক তাকপদা নত্তনা আই-কার্দ উৎখি। মদু ফাওবদসু নমখিবা ফোটো ক্লিপিংশিং মুথৎলু হায়না ওফিসার অদুনসু য়াথং পীরকখি। মদু ফাওবদা পাউমী অসিনা ফোটো ক্লিপিংশিং মুথৎখিদে। অহলশিংগা পাউ ফাওনবীয়ু হায়না হায়জফাওবা মহাক্না তাখিদে।

ওফিসার অদুনা হায়খি, কার অসিদা কনাগুম্বা বোম ফুল্লম্বা থোক্লবদি মদুগী রেস্পোন্সিবিলিটি নহাক্না লৌগদবনি হায়না অমুক্কসু কিহল্লকখি। মসিদসু নত্তনা ফোটো মুথৎত্রবদি ফাগনি হায়না মখা তানা কিহনবা লেপখিদে। মখা লামায় ৩ কলম ৪

## সৈজাংগী লূচিংবশিংগা লৈঙাক্কা ৱারী শানবদা য়াশিন্নবা ঙমখিদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১২ (ঐচ এন এস) ঃ চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা সৈজাং খুলগী মীয়াম্না খুল অসিগী উয়োক ওইনা শীজিন্নরক্লবা মফমদা সাইলেন্ট খুলগী মীয়াম লৈশিল্লকপা তকথোকখিনবা দিমান্দ তৌরদুনা সৈজাং দিবেলপমেন্ট কমিটিনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা কৌখিবা মতম কক্তবা বন্দগী মতাংদা লৈঙাক্কা ৱারী শানবদা য়াশিন্নবা ঙমদবদগী মখা চথখিগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ঙসি অয়ুক লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ ক্ষেত্রি বীরেনগী ক্বার্টরদা কোংগ্রেস এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিত অমসুং নোংথোম্বম বীরেননা গভর্ণমেন্টকী মহুৎ শিল্লগা সৈজাং দিবেলপমেন্ট কমিটিগী মীহুৎশিংগা ৱারী শানখি। চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী উনবা ফংখিদবা মরম্না ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবদগী মখা তানা বন্দ চথনবা ৱারেপ লৌখিবনি হায়রি। মরক অসিদা সৈজাং দিবেলপমেন্ট কমিটিনা চথরিবা মতম কক্তবা বন্দ অসি তাঞ্জুল নাগালোংনা খুদক্তা লোইশিন্দুনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী ফাওনবা য়াহন্নবা আপিল তৌখ্রে। খুল অনীগী চয়েৎনবা মফম অসি নাকল অনীমক্কী মীহুৎশিং নীংথিনা ফম্মিন্নরগা ৱারী শানদুনা লোইশিনবা য়াগনি হায়না তাঞ্জুল নাগালোংনা হায়রি। হৌখিবা লৈবাকপোকপদগী মতম কক্তনা চথরকপা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী বন্দ অসিনা মীচম মীয়ামদা হায়নিংঙাই লৈতনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লিবসি য়েংলগা বন্দ হন্দাকফম থোকই অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়রি।


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৮৫৬৫৯৪২৬২